"হেলোইনা মী পুই। মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। ময়াম্না মাগীদমক য়াম্না ৱানৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপাল অমদা লৈ। মীনদি খঙবিদে"- এম কে বিনোদিনী (অশংবা নোংজাবী)

# শৈরেং

## ষ্ট্রিট ভেন্দর
—অঙোম সরিতা

লম্বীগী চিদাইদা
থা-থাদুনা য়োল্লিবা
পৎথরবা চাকখাওশিং
কনথৎলি
থবৎ থবৎ তৎনা শাফু কন্না
ত্রাফিক পুলিসনা।
শোল্লবা চাকখাওশিং
কোয়থাং-থাংদুনা পুরি
থোঙ্গৎপগী লোইবা নাইদ্রবা
লূল্লবা পুন্সিগী পোৎলূম কোকথোংননা
পাঙ্গল চাইথরবা ইমা-ইবেলশিং
স্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা।
মফম খুদিং পুদুনা চৎলি
লেক কারবা শেঙ্গাও মনুংদা য়াওরিবা
চাউজন থীরবা মচাশিং
কুম লায়না পুরবা মপুরোইববু
মীৎকুপ অমত্তসু পোত্থাদনা।

## মী হাৎকনু হো ঐবু হাৎকনু
—যোদ্ধ চন্দ্র সনসম

নঙসু হিংলি মীয়ামসু হিংলি
ঐগী পুন্সি কনাগুন্বীগীনি
মী হাৎকনু, হো মী হাৎকনু;
মালেম অসে কায়হনখিনু
মী হাৎকনু; হো ঐবু হাৎকনু।
নিংশা মহোল অমা হোল্লি ঐসু
পুন্সি মখল অমা লেঞ্জরি ঐসু
পোকপীরকপনি ইমা ইপানা
নুংশিরি ঐবু থৱায় খরনা
ঙাইরমগনি ঐগী নুংশিবীনা
ঐবু হাৎকনু; হো ঐবু হাৎকনু।
ইচম চমজবা ঐবু হাৎলগা
করি অহোংবা পুরক্কে খল্লিবা?
ঐসু নুংশিজৈ ঈরমদম ইমা
পোল্লকপনি মতম্বাক্তা ঐসু
মালেমসে ঐখোয় অহিংবগীনি
মী হাৎকনু; হো ঐবু হাৎকনু।

## তাখিদ্রে
—খুমন্থেম অনেশ্বরী

মতম অমদা...
"য়ারেল্কম সাইজিন খুদিং'
পিল্ল উচেক কয়া
শেন্দ্রাং, মুতিন্নাও"।
মাঙখ্রে ঙসিদি...!
"খোংখিদ্রে, চরোই তেতুসু
চেনখিদ্রে সবাও-লানবাও
মুর কুচুবু ঙমজবা,
ক্বাক্কী লানবাউসু"...।
শান্নজরম্বা চেন-চোংদুনা
উচেকশিংদো মখল কয়াগী
চাক্তারম্বদো "লোক্তাক মাগী মসাইগোন"
সাইদাংলম্বনি হিংনবগী লানফমদা।
লাকখিদ্রে, উখিদ্রে।
কিরমাল্লে উরুবদা
প্লাষ্টিক অমোৎ-অকায়...!
মাঙলনি খনবনা মথ্বায়।
চৎখ্রে থিদুনা অহিংবা থৱায়।
অচিকপা মফম য়েংদুনা।

## ঐগী য়েন্নীংথা
—ঙাংবম থবাতোম্বী

অহাঙবনা মপান নাইদনা শন্দোক্লিবা
অয়ূক্কী ঙাড়ান্নরবা মশেক-মঙাল্লক্তা
চেন্থোক্লুই,
হোংলদুনা চরৈ শংবান্নবা
পুন্সি বসন্তগী অয়ূক্তা।
ইশং শংলবা হানৌলক্তা
লোত্তুনা লৈরম্মী তুম্পক-তুম্পক
ঐগী পুন্সিগী য়েন্নীংথা।
মীৎকুপসিদা,
খুনগৎচরুই লীক্লুগুম অমমমতা
তনিক-তনিক থম্মোয়সিনা
তথক তথক পাখৎচনা
পাইশিল্লি চেৎনা খুবামনুংদা
হাপচিল্লি নুংশিনা ফিগাওনুংদা।
তুংওইনরল্লে,
অশীৎ-অৱান্থাগী চিরোল
হুন্দোক্লল্লে ওল্লাং-মৈশা
লেপ্লদ্রিঙৈ,
শিথ-ৱাউথরবা নুমিদাংৱাইগী মচুনা
চেল্লকই তহা-তহা
অয়ূক্কী লীক্লাসিনা কংদ্রিঙৈ
লোৎচরগে খন্না
হৌবতা ঙাইরিবা পুন্সিগী ফিবান্নুংদা
ঐগী পুন্সিগী য়েন্নীংথা।

## হাকমনখ্রে!
—ইরুংবম দেবেন

ইরায় হেক লায়না!
শাংনসু কৌদে
কন্নসু লাউদে য়েংবদা উবসু নত্তে
নঙনা চৎলুবসু নত্তে
অদুবু মখোয় লাকই লাক্তবা ঙমদে;
মখোঙ শাংদ্রোং শাংনা তিংথোল্লগা
নখোঙদা তুরৈ-
'ঐগী থৱায়তদি কনবীয়ু!'
খরসু ময়েংবীয়ু মখোয়সু মীনি
হেক্তা লাকথুগনু।
পঙজরবা থৱায়শিং অসিবু য়েংঙু
তোল্লবশিং অসিগীসু খরা খনবীয়ু।
খরসু চাবা খরসু চাদবা
খরসু থকপা খরসু থক্তবা
খরসু ঈ চূপ্পা খরসু চূপ্তবা

হিংমিন্নসি কৈদৌবগে?
লাকপগা হেক নমজা নমথেক্লগে হোৎনবা
চৎলো য়ারে
খরা ফংলবদি থাদোকখরো।

## লংদাই
—মধুমঙ্গল

ঐহাকপু থাজৌ
ঐহাক শিরুবদগী হল্লক্লবনি,
ঐনা শিরমদাইদা
নোকফেৎ তৌরগা শিখি,
ঐনা হিঙ্গৎলকপদদি
ঐহাক কপ্লল্মী;
শিরুবদগী হিঙ্গৎলকপা লংদাইসিগী
অহাঙবা অদুদি
মেনশিনবা ঙমদ্রি,
হৌজিকসু খল্লি
লংদাইসিগী মরমদা।

## করিগী লান
—ডা. অকোইজম ইবোহল

কোভিদ-১৯, কোভিদ-২০, কোভিদ-২১
খেঞ্জাং থেঞ্জাং হৌরকখিবা ঈথক
পেন্দ্রিবরা লাঞ্জাও অহুমদো থংন থংননা
লোইফাৎত্রিবনি হুজিকসু মীকপ মীরাওখোল
শেৎন-খাইনখিবগী নুংশি-চান্নবা কয়া
মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও নৎখিদবরনে?
করিগী থৌরাংলি লাঞ্জাও অমগীদমক অমুক
খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা থৌশিল্লি
মরাল লৈজদ্রবা, কনাদসু কায়জদ্রবা
নুপী, অঙাং, ষণ, ব্রাহ্মণ
মখোয়গী থৱায়বু খাঙুথক্তা পিখম্নহল্লগা
নহাক্কী পাঙ্গনবা নতৌনি হায়রিবরা?
মিকপ থোক্লসি, ফুম্বংননা লৈরগুমসি
ঙাইহাক্কী মোইথেম তাৎতা পঙথরগুমসি
ঈরাংদি লোইখিগনি, থরুমদি লৈহৌগনি
ইচিন ইনাও শম্বল খাজিন্নহৌগনি
খুরক্কী ঈনা লাই শারত্তুনা
শীংচেপ থাহল্লগুমসি ঐখোয়গী ইরক্তা!
লাউরসি নোংমদোল অতিয়া পক্না
অমত্তা ওইবা খোল্লাউগা লোয়ননা
মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা
শক্লসি শরী ৱাশক পন্দোন লোম্না
লীংননবা মউ তীঞ্জং-কায়জংদবা চারাগী
কঞ্জহৌনবা তুংগী মীরোলবু ঐখোয়না।

## মীৎকি পী
—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কপ্লরোই হায়নসু কয়ারক
খনখ্রবনি,
তারক্কনু য়াদ্রবা
মিৎকী পিরাংসে
ঙসিদি অতৎ
অখম লৈতনা শীন্থরক্কে।
ইমা লৈত্রবা কুম
অদুসু মসি মঙাই,
ঙসি ফাওবা খঙলদুনা
লাকখিবদো,
ঙসিদি থিংবা ঙমদনা
ইঙা নোংজুগুম লেপ্তুনা
শীন্থরক্কে।
করম্বা ঐগী থম্মোয়গী
অশোনবা উরদুনা
লেপ্তুনা শীন্থখিবনো
ঐগী মিৎকী পি।

## "চৎখিগদবা"
—রাজকুমারি মীনা

চেক্লা শঙ্গু শঙ্গু পাইরিবা
লমদম কৈদা পাইগদৌরিবা,
ৱানা হিংলে চেক্লা নখোয়সু
ইরাং লমদম থাদোক্তুনা
শান্তিগী লমদম থিরিব্রা?
হে! মপু ইবুংঙো,
নঙগী লীলা ঙাক্তনি
শান্নরিবা মালেমসিদা
মাগী মাগী শক্তম লাংদুনা।
নুমিৎ থাদি লৈহৌখিনি
ধ্রুব তারাসু ঙালহৌখিনি
মালেম লৈমনা লৈরিমখৈদি
চৎখিগদৌবদি ঐখোয়তনি
থাদোক্তুনা ইরল-ইথুম
পূম্নমক নঙগী অমত্তা নত্তে
মপু মাগী মরলনি
ঙাইহাক্তং লৈতেংবনি ঐখোয়না।
মাঙদবা লনদি মীংচত্তনি মীওইবগী
হুন্দোক্লল্লগা থৱায় হকচাংবু
মায়কৈ খঙদনা পাইখিনি।
কাইদোংলুনি করম্বা হকচাংদা
খঙবা ঙমদে কনানসু
তাইবঙ মপোকসিদা অফবা থবক তৌদুনা
হেন্না য়াইফবা মপোক পীবিরিবা
মমল নাইদ্রবা মপু মাগী থৌজালনি।

## মতমগী শৈরেং
—নরেশ লাইময়ূম

অসিসু পুন্সিনি খন্দুনা
মীওইবগী পুন্সিবু পোকঙমদনা পোকপা
থৱায় পানবা জিবশিংবু
মীওইবা মখল খরনা
লল্লোনপোৎনি খন্দুনা
করবারগী মমল ঙাঙনবগুম্না
মন্ত্রিক্লরিবা মী মরক্তগী
অথোইবা নহাকপু
করম্বা তাইবঙ মপুনা শেল্লকপগে
য়েংনীংখ্রেদা নহাকপু শেল্লকপা তাইবঙ মপুসে
অঙকপনি নহাক্কী নগুণসে।

মতম মতমগী ৱাখল

# থায়না থায়না, মতম অমা লৈরম্মী



অহল লমনশিংনা মচা-মশুশিংদা ৱারী লীবা মতমদা- " থায়না থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী "। অসি হায়রগা ৱারী লীবা হৌনরকই। করিগুম্বা মতমদনা- 'মতম অমদা তৌবা ঙম্বা নিপা অমা লৈরম্বোইরে.. হিংচাবী নুপী অমা লৈরম্বোইরে।' অসিগুম্বা ৱাহৈ শীজিন্নরগা ৱারী লীবা হৌবসু চৎনৈ । মাগী মাগী হায়বদুনি। অকক্লবা লৈবদি নত্তে হায়নিংবা হায়বনি। অসিগুম্বা মওং অসিবু ফুঙ্গা ৱারী, চাকঙাই ৱারী, লৈপূঙ ৱারী হায়না খঙনরকই। তাবা নুংঙাইবসি লৈপুঙ ৱারীনি। ৱারী অদু অচুম্বনিসু খঙদে অরানবনি হায়বসু খঙদে পংনুংদা নুংঙাইখি। অচুম্বা ওইরবোই খনখি। ফুঙ্গা ৱারী, চাকঙাই ৱারীদি অরোয়বদা ফিদম্নফম ওইবা, পাইরক লৌশিং ওইগদবা য়াওই। তাবদা কান্নবা ফংখি । ৱারী লীরিবা মীওই নুপা নৎত্রগা নুপী অদুগী হৈ-শিংবা চংঙি। ৱারী নুংঙাইহনবসি মহাক্কী খুৎতা লৈ। ঙসিগী অঙাংশিং,নহারোলশিং ফুঙ্গা ৱারী, চাকঙাই ৱারী, লৈপূঙ ৱারী অসি তানখিদ্রে । ঐখোয়দি ফুঙ্গা ৱারী তাবা নংহৌখি । ঐখোয়গী মরক্তগী মাঙশিনখ্রিবা চৎনরকপশিংগী মনুংদা মসি অমনি।

অঙাংনা নুংঙাইবদি ফুঙ্গা ৱারী, চাকঙাই ৱারীনি। খরা ৱাখল তারবা, লৌশিং লৈরবশিং নহাদগী অহল ফাওবনা অমুক নুংঙাইবসিনা মীৱা ঙাঙনবনি। মীৱা ঙাঙনবা হায়বসি ফজদবা লোন নত্তে। মী অদুগী মরমদা অফবা-ফত্তবা নৈনবনি । অমরোমদা পূন্সি ৱারীগী শরুক অমনি। মীগী মরোলদা হেক হায়রগনা ফজনা খনবা, ইশাগী লোলদা ময়েক শেংনা হায়রগনা ফত্তনা, ফজদনা লৌবগী চৎনবী অমা ঐখোয়গী মরক্তা থেংনরি। খুদম ওইনা -মীৱা ঙাঙনবা হায়বসি অমনি । ক্রিতিসিজম হায়বসি ওঝা পদ্মকুমারনা মীৱা ঙাঙনবনি হায়খি । ফজনা খল্লগদি মীৱা ঙাঙনবসি মীগী মরোলদা ক্রিতিসিজম হায়বদুনি হায়বীরমখি। মসিসু খঙজিনবদা কান্নৈ। মশানা য়াদনা নমজা নমথেক্লবা, ইজ্জৎ মাঙহনবা হায়বগী মহুৎতা হৌজিক খন্ন-নৈনবদা মীয়াম মমাংদা ইরায় লায়না রেপ, মোলেষ্ট হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নৈ। নমথাক তৌদুনা লোন্না শেনজাবা, ৱাচৎ ৱানোম্বা হায়বগী মহুৎতা 'করপসন' তৌবা হায়নৈ। মীহাৎপা হুরানবা খুৎপু হায়বগী মহুৎতা 'মফিয়া গেং খুৎপু' হেক মহায়নৈ । মীরোলদা ঙাঙলগদি অথীবা ৱাহৈ ওইরগসু তাবদা ফজনা লৌনদুনা লেম্না ঙাঙনবসি হৌজিক কন্না চৎনরি । পাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈসি করিগুম্বা মতমদা হৌজিক মরক মরক্তা নুংতিগী ফোংবা পাউচেদা হাপ্পরকপা থেংনৈ । অপাবশিংনা চম্না ফজনা লৌনবনি, খঞ্জিল্লগদি ইথন্তা ইকায়জে । নুংতিগী ফোঙবা পাউচেদা - 'নুপী অমা পামজৈ' নৎত্রগা 'হেলপর নুপী অমা পামজৈ' অসুম্না হাপলকপা করিগুম্বদা থেংনখি। কনাগুম্বা পাউ হাপ্পিরক্লিবা খরদি হেলপর নুপীদুনা শুগদবা চহী ফাওবা হায়বীরকখিবা ৱাফমসু থেংনখি। মশক মতৌ ফজবা, চুং ফিরাল চাবী হায়বসিদা ঙাইরে হেল্পর নুপী কৌবদা হাপলক্তবা । হাপ্পিবা পাউজী ৱাহৈসি তাবদা নুংঙাইতে । হেল্পর নুপীবু চেপাউদা 'নুপী অমা পামজৈ' হায়রগা কৌবা য়াব্রা ? মসি লমদমসিদা চৎনরক্লিবা অমনি। 'মেত্রিমোনিয়েল' হায়দুনা মতম অমা চেপাউদা হাপ্পরম্মী, পেন পাল হায়দুনা মরূপ মপাং শকখঙ মায়খঙনবা চিথি থাননবা হাপ্পরম্মী । মতম অদুদি ফনরম্বনিনা ফত্তবা ৱাখল খন্নখিদে । ফত্তবসু তৌনখিদে। নুংশিনৈ, চম্না লোয়নখি । হৌজিক্কী মতমসিনা ফত্তবা হেঞ্জিন্নরকপসিদা ৱাখলসে অফবা খল্লু হায়বা য়ারক্ত্রি। মপান্দা ফজবা,অফবা লোল মাল্লগা লান্না শীজিন্নবা ওইনা উরকই।

ফজদবা, নোক্লরিবা মিংথোল অমবু ফজনা খন্দুনা মায় হাইগৎতুনা চৎনবসু হৌজিক্কী মতম অসিদা লমদম অসিদা কৈরোই লৈকাইদা মশীং হেনগৎলকপগুম থেংনরি। অহল লমনশিংনা মচা মশু ৱারকপদা অদুগী মীদো তিন্নরুনু ওক্তবনি, হুরানবনি। মহাক তিন্নরগদি য়ু থল্লক্কনি জ্বার শান্নরক্কনি, মী হাৎপা ঙল্লক্কনি হায়নৈ । লৈকাইদা ষন্নিং হনবা, হুরানবা মীনা হঙ্গোইনৈ। চংনদে, তিন্ননিংদে । মহাক উবদা চৎথোক্লে । মচা মশু থাজবদা নুপাদুগী লমচৎ হংনৈ । য়ু য়োনবা ইমুং মীনা নোক্লে। গঞ্জা থকই, দ্রগ চাই হায়বা মীদা মচা নিংঙোল থাজনবা হৌনদে । হৌজিকসিনা ফোংনা য়ু য়োল্লম্বদগী, ড্রাগ লল্লোনবদগী পৈশা পায়দুনা ময়ুম মকৈ ৱাংখৎলকপা, কার মমল তাঙবা ওন ওন্দুনা তোংবা ঙম্বা মীদু সঙ্গা তৌবা অফবা ওইনা লৌদুনা মাগী মীচঙদা চঙশিনবা, মচা মশু পীশিনবা লৈকাইদা মচিন চৎপা য়াওনরকপগী পাউ তাবা হেনগৎলকই। ডাক্তর নন্দবাবু, পণ্ডিৎ অমুয়াইমা, সনা শাবা অচৌ, ফুরিৎতুবা য়াইমা, থাং শাবা মঙ্গি হায়না মীয়াম্না শোন্নরম্বদু গঞ্জা তোম্বা, য়ু-নোরেন, গুলি-দিল্লিপ, ড্রগ-রোমিও হায়রগা লেম্নবা হেনগৎলকই। মশানা পাম্না মিংথোলশিং ফংজরবনি হায়না য়াননি। (মিংথোলশিং অসি শাজিল্লগা হায়বনি। কনাগুম্বা মানরল্লগদি চান্নখিবনি খনবীয়ু ) ড্রগ-রোমিওগী নুপীনি, গুলি-দিল্লিপকী ময়াম্বনি হায়রগা মীনা ইকায়খুম্নবা উৎনরি। করি লমদগীনো হংবদা ৱাংখৈ পুথ্রি অচৌবা মনাক, পাঞ্জি লৈরক্তগীনি, শীংজমৈ বোরোই মখোংদগীনি হায়নরম্বদো গঞ্জা তোম্বগী মনাক অদুৱাইদগীনি, ড্রগ-রোমিওগী লৈকাইদগীনি হায়না তাক্লবনা লেম্নরে। জি সি তোংব্রাগী ড্রামাগী করেক্টরদা 'ইবোহল নুংথং' হায়না মী ফুগানবা গুন্দা অমগী মিং থোনখিবদু নীংশিংলকই। ঙসি জি.সি তোংব্রা লৈরল্লগদি লীলা ড্রামা নুংঙাইবা অনৌবা য়াম্না ইদুনা পুথোকলমগনি। তখেল্লমবম চাউবা, ওইনাম বাবু ময়াং ইম্ফাল তোম্বী লৈরল্লগদি অনৌবা ইপোম য়াম্না তাবা ফংলমগনি। লাইওইখ্রবা মখোয়শিং অদু অশেংবা নৈনমী ঙাক্তনি। মীবু করেম্নদুনা অশেংবা ৱানা অরানবা থিন্দুনা তাকখিবা শক্লাইখিবশিংনি।

লৈপূঙ ৱারীশু নত্তবা, ফুঙ্গা ৱারীসু নত্তবা নীংশিংলকপা হৌখিবা পূন্সিগী তাঙ্কক খরদা থেংনখিবা লোয়নখিবা, ইকায়খূম্নজখিবা ওঝাশিং অহল লমনশিংগী মরমদা ফিদমনিংঙাই ওইবা ৱারী কয়া লৈখি। মখোয়না লমদমসিগী নাৎকী অমদি হীরম কয়ামুক্তা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা লাকখি। লাইওইখ্রবা ফিদম্নিংঙাই ওইবা মখোয়গী ৱারীদি ঐখোয়না লীদুনা তানদে, মখোয়বু শোন্নবীদে। গুল্লি য়োনবদু, গঞ্জা য়োনবদু ওইনা মমিং শোন্নরে । মখোয়গা মীচং ওইবনা অরেম্বনি খন্নরি । হিংমিন্নদুনা ঙসিফাওবা ঈ পাউ ফাওনরিবশিংগী মরক্তগী লৈপাক্লা শকখঙনখিবা অহল লমন ওঝা কয়া অমসু ঐখোয়গী ইরক্তা হিংদুনা লৈবীরি। মীৱা ঙাঙনবা, করেম্নবা, ড্রগ, গুলি, টেবলেট, য়ু নেশা, রাজনিতি, কুতনিতি ময়ামগী ৱারীদগী লাপথোক্লগা ওঝা অমখক্কী মরমদা নীংশিংলকপা খরদং থমজনিংঙি। মতম অমা মখোয়গী মফম লৈরম্মী ।

ফাইরেল লমতা থা অনীগী লোন্নবা মতমসি অঙৈংবা নুংশিংনা লেপ্তুনা শিৎপা মতম্নি । হৈখা মপাল, চুঁন্দ্রে মপাল হৈনৌ মপালশু শারকপা মতম ওই। তেলঙ্গা শারগা লম্পাক্তা ফমদুনা তেলঙ্গা ৱাংনা পাইবা তান্নবগী নুংঙাইবদু ঙসিগী নুপামচাশিং ফংলমগদ্রা খঙদে। তেলঙ্গা মরি তৎখিবা, তেলঙ্গা খুনবা চৎপা, লম্ফেলদা ষম্থি খুনবা, চুখোং ফোয়বা, শীং চনবা চৎখিবা কয়ানি। ৱানা চৎলুরগা য়ূমদা য়েন্সাং চগেমপোম্বা, হঙ্গাম থোংবা, হৱায়থরাক মপূম থোংবা, ইরোম্বা নুংশা য়াইরগা চাবগী হাওখিবদু নীংশিংঙি। নুংঙাইখিবশিংগী মরক্তা নুংশিৎনা হুল্লগা অথাপ্পা মফমগী পুরকখিবা থাপ্না খোংবা তাবা মাইক্কী ঈশৈনা পূক্লিং মথুম মরাং হৌহনখিবনি। ওহ! কয়াদা নুংশিখিবা মাইক্কী অরাপ্পদগী খোংলকপা ঈশৈশিংনো । মাইক্কী ঈশৈদি থাপ্না তারগা নুংশিবা হেল্লি । হোরেল মফম অদুদা শুন্মাং লীলা অমা লৈরে, থাবল অমা লৈরে, ঈশৈ অমা লৈরে হায়বসি লায়না খঙঙি। অতাবশিংগী থম্মোয়দা মথুম মরাং হৌবসি মতম অমগী মাইক্কী খোঞ্জেলশিংনি।

পাউ থুনা খঙবা ঙম্মী মাইক খোংলিবসি সিনাম লৈকাইদনি নৎত্রগা কৈসাম লৈকাইদনি। হেরেল ষষ্ঠি পুজাগী লাইটশোং ঈশৈ অমা লৈ, খোংজোম পর্ব্ব, বাসক ঈশৈ লৈ । মচা নুপা পোকপগী ষষ্ঠি পুজাদা শুন্মাং লীলা তৌবা লাইটশোং ঈশৈ তৌবা মতম অমা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ১৯৭০গী পরিংসি য়াম্না কন্না তৌনরম্মী। লাইটশোং ঈশৈ তৌবসি মী খরদি খৎনগল্লি । য়াম্না লাপ্লা নত্তবা মফম ওইরগদি ঐখোয় নুপামচা ওইবশিংনা চেন্দুনা ঈশৈ তারুই । পংচাউ চাউদবা ইঙ্খোল অমগী শুন্মাংদা মীনা পীক থল্লম্মী। লৈপাক্তা হেক্তা ফম্মী ফিদা থাবা থাদবা থিনদে। ফম্নিংদবা কাংবুনা লেপ্লগা তায় । ঈশৈ শকপীগদবা মীসু কনা কনানো থোইনা খঙলুদে মখোয় অমা অনীখক্লি । মখোয়সু ফল্লগা শকই । ঈশৈ শকপা নুপা অনী অহুম অদুনা শিন্ন-শিন্নরগা শকই। তবলা অমগা হারমোনিয়ম অমখক্তনা অয়ৈ অখোং তৌই । লাইটশোং ঈশৈদা নুপী ঈশৈ শকপা য়াওনখিদে । হিন্দিগী ঈশৈসু অদুম শকই ময়ান তুয়াননি। ময়াম্না পাম্না তানখি। ঈশৈ অসুম তারিঙৈদা ময়াম লাংনরকই, হায়নরকই, গিটার রাজেন লাকএ । মীগী মমিংদা মানা মানা হৈবা শিনফম তপশিনবা আর্টিষ্টশিংগী মিং তাবসি মসিনা অহানবনি ।

য়ুম্নাম রাজেন খ্বাইনা গিটার রাজেন হায়রগা হেন্না খঙনবীখিবা গিটার খোংবদা মমিং লৈখিবা আর্টিষ্টনি। গিটার রাজেন হায়রিবসি গিটার খোংবা হৈবা,গিটারদা মমিং লৈখিবগী খঙনখিবনি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী রেডিও ষ্টেসন হাংদোকলকপা ঙল্লিঙৈগী মতমদগী কেজুয়েল আর্টিষ্ট ওইনা লোয়নরক্লবনি। মিউজিক ষ্টাফ আর্টিষ্ট ওইনা থবক্তগী পোৎথাখি। ৱাং চাউই, য়েংবদা ক্যুবান, মেক্সিকানগী মীওই মাল্লি । ইম্ফালগী কৈশামথোং মোইরাং লৈরক্তা কুমশীং ১৯৪০দা তাইবং ফাওরকখি। মশাগী চহী নৌরিঙৈদগী ঈশৈ নোংমাই পাম্না হৌরকখি। ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলুপ রুপ রাগগী অঙনবা মতমদগী মীহুৎ অমা ওইনা থৌরম কয়াদা গিটার খোংবা অমা ওইনা শরুক য়ারকখি। হেন্না খুৎলোইখিবদি হৱাইন গিটারনি। মহাক্লা হৱাইন গিটারদা নাইতোম খোংবা ঈশৈ কয়া ওল ইন্দিয়া রোডিওগীগীদমক খুদোল তম্বীরম্মী । হৌজিকসু মরক মরক্তা শন্দোকপা ঐখোয়না তাবা ফংলি ।

ঈশৈ শকফমদা গিটর রাজেন লাকএ হায়বদা মীয়াম তিনবা হেনগৎলকই । থোইদোক্লা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদুদা লাওথোক লাওশিন তৌরকপসু নৎখিদে। ঈশৈ অমা লোইখিবগা অমনা অমুক চংশিল্লগা ঈশৈ শকপনি। ঙাইহাক লৈরগা অমুকসু লাংখৎনরকই। অতৈগী নৎতে নিংঙোম্বম মুনালসু লাকএ হায়নৈ । ঐখোয়না নুপামচা ওইরিঙৈদা কন্না তারকখিবা যন্ত্র খোংবসি নিংঙোম্বম মুনালগী তার সেহনাই, গিটার রাজেনগী গিটার অসিনি । অতৈদা তারুবা খঙলুবা নত্তে, ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী থৌরমশিং তারুবদগী খঙখিবনি। রেডিওদা তাখিবা অদু মশক ওইনা শুন্মাংদা, সঙ্গোইদা ঈশৈ নোংমাই লাইটশোং ফমশক ঈশৈদা লাকপীদুনা য়াওবীরবদা কয়াদা হারাউনখিবনো ? গিটার রাজেন, নিংঙোম্বম মুনাল য়াওবসি অখন্নবা থৌরম ওই। মীনা পীক থল্লি । গিটার রাজেন্না হৱাইন গিটারদা পাউখোং অমা চনগে, কনানা করি ৱা হায়রল্লিবনো, সনা লৈবাক মণিপুর খোংদুনা শুন্মাংদা মাঙ্গোলদা শকখিবা মতম অমগী ফমশক ঈশৈ, লাইটশোং হায়না খঙনখিবা অদু ঙসি চহী য়াঙ্খৈগী মতুংদা নাকোংসিদা তাররি। মতম অমগী মাইক্কী ঈশৈনা লৌবুক লমহাং লান্না পুরকপা হোরেল শুন্মাং লীলা লৈ হায়বগী, ঈশৈ লৈরি হায়বগী নুংঙাইবা মপাউ অদু তাখিদবা কুইরে। ঙরাং নহানসি লৈরক্তগী থৌদোকলকপা গাড়ি মথক্তা মাইক পাল্লগা 'ভোটকী ভিক্ষ্যা নিবা লাকচরি' হায়না লাওবা লাকপা অমা তখি। হেক লোইবগা ঈশৈ অমসু শকলকখি। ঈশৈদু তাফমসু খঙদে তান থাফম, নুংঙাইফমসু খঙদে । খঙনীং নীংশিংলকই ফেব্রুৱারী তাং ২৮ অসি ভোট থাদগবা নুমিৎনি। ভোট ময়াসিদা ঙাঙনরিবা, হায়নরিবা ময়ামসি তারুরগা খল্লকখি, পূন্সি ৱারী, চাকঙাই ৱারী, ফুঙ্গা ৱারী, ক্রিটিক্সিজম পেন্নবা হায়দোকপা, মীৱা ঙাঙনবা য়াবসি ভোট ময়াদনি। ভোট ময়াদা মীশিংগী মরমদা য়াম্না হায়দোক্লরক্লি। হায়দোক্লরিবা ময়ামসি পুল্লপ তাশিল্লগা এন্থোলোজি অমা ওইনা ফোংবা য়ারগনি। ঙসি খোরিরোলদা সাহিত্য একাদেমী মনা ফংলিবা 'পূন্সি ৱারীগী সাহিত্য' হায়বা লাইরিক অদুগা য়েংনরুবদা হায়দোক্লরক্লিবা রাজনিতি তৌবশিংগী পূন্সি ৱারীশিং অসিগদি ওন্থোক্লা খেন্নখ্রে। মখোয়গী ৱারীসি কনানা ইরগা ফোংবীগদগে? তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা, নৈনজবা য়ানবা,অফোংবা মী, পল্লিসর অমত্তংদি লৈবা চুমগনি।

—মাখোনমনি মোংসাবা

# রাগ দরবারী-১৩৪

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

ৱেদ্যজিনা মমিৎ হেক পাঙথোরকপদদি অহোংবা করিসু লৈরমদে মহাক্লা মমিৎ উইশিনদ্রিঙৈদা লৈহৌবা ফীভমগুম অদুমক লৈরম্মী। খেন্নবা হায়ববু শুপ্পগী মহাক্লা লৈরিবা মফম অদুদগী খরা থাপ্তুক্লা রুপ্পন বাবুনা মখোল হৌনা-হৌনা প্রিন্সিপাল সাহবকা ৱারী শান্নদুনা লৈরম্মী :

"নঙ নশাবু য়াম্না ফাওবা মীনি হায়না খনব্রা। ঐঙোন্দা খন্নাগী অঙাংশিংনা লোইনা হায়রবনি। ঐ কনা অমত্তগী কাংলুপতা য়াওদে। ঐদি শুপ্পতগী অচুম্বশিংগীদমক্তা লেপ্পনি। খঙলব্রা প্রিন্সিপাল সাহব?"

প্রিন্সিপাল সাহব অদুনা নোক্লদুনা হায়রকই, "য়ারে রুপ্পন হৌজিক তুমিন্না লৈরো।"

"হৌজিক করিমত্তা হায়বা হৌদ্রিবনি প্রিন্সিপাল সাহব! ঐনা হায়রিবসিনি, নহাক্লা সেক্সন ১০৭গী কেস পানশিনখিবদু হয়েং শোয়দনা লোইশিন্নবা হোৎনৌ। হয়েংগী মতুং ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রবদি মহৈরোয়শিংনা 'ইনক্লাব জিন্দাবাদ' লাউরদুনা ইহৌ কয়া চঙশিল্লক্কনি। নহাক্কী কাংলুপ পূম্নমক লৈখা তাগনি খঙউ।"

ৱেদ্যজিনা মনাক্তা নকশিল্লক্তুনা খোঞ্জেল হৌনা 'রুপ্পন' হায়না কৌরকই। অদুবু রুপ্পননা তাবা কৌবা লৈখিদে। মহাক্লা হায়রকই, "পাবুং, ঐ মমাংদদি খন্না মাষ্টর অমদি প্রিন্সিপাল সাহব অনীগী মরক্তা খৎনখিবদুদা ঐহাক মফম অদুদা লৈরবসু ৱাদি ঙাঙখিদবনি। ঐনা ওইনা মখোয় অনীবু কন্নবা হোৎনখিবনি। সেক্সন ১০৭গী কেস অসি অরানবনি, য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। খন্না মাষ্টরবু লাংদা থুনবা হোৎনবনি। মহৈরোয় খুন্নাইনা মসি কৈদৌনুংদা সপোর্ট তৌনরক্লোই।"

ৱেদ্যজিনা য়াম্না তপ্পা হায়রকই, "করিসু কাইদে। য়ূম য়ৌরবা মতুংদা গ্যান তানা ৱারী শান্নরসি।"

প্রিন্সিপাল সাহব অদু করি তৌরবনো খঙদে, খঙহৌদনা লাউরদুনা হায়রকই, "রুপ্পন বাবুনা লম্বী ময়াই অসিদা ঐহাকপু ইকায়বা পীরিবা অসি অমুক্তা য়েংবিয়ু মহারাজ, খন্নাবু কনখৎলগা মানা হায়রিবা ময়াম অসি! ঐনা অমুক হৌজিক করি অমুক হায়গদৌরিবনো মহাক্কী মকোক অসি মিসেজ খন্নানা ঙাওহল্লে। মাগী তুংদা মীয়াম্না ঙাঙনরিবা অসিগী মতাংদা ঐনা করি ওইনা তল্লসিগে!"

ৱেদ্যজিনা য়াম্না সিরিয়স ওইনা হায়রকই, "নঙনা হায়বগী করিমত্তা মথৌ তাদে। ঐ পূম্নমক খঙই।"

মখোয় চৎননবা থৌরাং তৌরকই। অদুবু রুপ্পন বাবুনা খাল্লদুনা হায়রকই, "হৌজিক্তি পাবুং ৱাফম অসি মফম অসিদা অদুমক লোইশিনবনা ফরে। হায়বিয়ু, অদোম্না খঙলিবসি করিনো? হায়য়ু-হায়য়ু! মিসেজ খন্নাবু মতাং অসিদা অমুক অদোম্না করিগী পুশিল্লক্লিবনো?"

ৱেদ্যজি অদু লেপখ্রে। মহাক্লা দ্রমাগী মওংদা প্রিন্সিপাল সাহবকী মায়কৈরোমদা য়েংই। মীৎয়েং অদুনা প্রিন্সিপাল সাহবকী থম্মোয়বু হুখিবা হায়বদু ওইরে। মতৌ অদুগুম্না প্রিন্সিপালনসু রুপ্পন বাবুদা য়েংলকই। কনাগুম্বা মীওই অমা ওইরল্লবদি মীৎয়েং অদুদা অদুমক মহাকসু তুথখিগদবনি, অদুবু রুপ্পন বাবু মসিগী মতাংদদি মহাক্কী অপোকপগী মপাগী মপানি হায়বদুনি। মরম অদুনা রুপ্পন বাবুনা লাউরদুনা হায়রকই, "হায়বিয়ু করিগী লেপ্তুনা লৈরিবনো?"

ৱেদ্যজিনা নিংশা শ্বর হোঞ্জিন্দুনা হায়রকই, "ঐ খঙই রুপ্পন, অদুবু নঙ ইখঙ খঙহৌদনা নহাক্কী ওজাগী মায়োক্তা করিগীদমক লৈরক্লিবনো অদুগা খন্না মাষ্টরনা করিগী নহাক্কী মরুপ ওইরক্লিবনো। অশেংবা ৱাফমদি মসিনি মদুদি ঐদি নঙনা মফম অদুদা চৎথোক-চৎসিন তৌরিবদু চৎহন্নিংদে, মদু অচুম্বনি হায়না খন্দে।"

রুপ্পন বাবু অদু ঙাইহাক তুমিন্না লেপ্তুনা লৈ। অদুগা মহাক্কী ঙকশমদা য়েৎলিবা রুমান অদু কন্না কিশিল্লদুনা মহাক্কী খাউ অদু য়ানখৎলক্তুনা হায়রকই, "ঐ লোয়না গ্যান তারে। অদোম ঐগী করেক্টরদা চিংনবা অমা লৈরবা মাল্লে। ঐ পূম্নমক খঙলে।" মহাক্লা খুদোনবি থীল্লদুনা তুংদা করি থোল্লক্কনি হায়বগী পোজদা হায়রকই, "প্রিন্সিপাল সাহবনা অদোমদা শেরান-তুরান ঙাঙশিনবনি। ঐ খঙই। মসিগী মহয় অফবা ওইরোই।"

খঙহৌদনা মহাক্লা অমুক লৈথোক্লক্তুনা হায়রকই, "বদ্রি দাদা? খুঙ্গংদা মহাক অসিগী মতাংদা য়াম্না ঙাঙন-শক্লরিবনি। মহাক্লা বেলাবু ময়ুমদা পুনবা হোৎনরিবনি। অসিগুম্বা করেক্টর লৈরবসু মঙোন্দদি করিমত্তা হায়বা ঙমদব্রা?"

প্রিন্সিপাল সাহবনা খঙবা ঙল্লে মদুদি হৌজিক শোয়দনা নোং খাক্লক্তুনা ব্রজ তারক্লনি হায়না। মহাক্কী মচানুপা অহলগী অদুগুম্বা লমচৎ অদুগী কমপ্লেন তাবদা ৱেদ্যজি অদু লম্বী অদুদা ৱান্থরক্তুনা তুদ্রিঙৈদা প্রিন্সিপাল সাহবনা রুপ্পন বাবুবু খাল্লদুনা হায়রকই, "করিনো হায়রিবদুবু রুপ্পন বাবু, নঙ ৱাখল তারো।"

ৱেদ্যজিদা হায়রকই, "করিমত্তা খনবিরুরনু মহারাজ, রুপ্পন বাবু হৌজিক অঙাং ওইরিবনি। কনাগুম্বা অমনা লান্না হায়জিল্লকপনা শেরান-তুরান ঙাঙলিবা হায়বদুনি।"

অদুবু ৱেদ্যজিদা প্রিন্সিপালনা থেমজিল্লদুনা হায়রক্লিবা ৱাফমশিং অদুগী মথৌ করিমত্তা তারমদে। রুপ্পন বাবুগী অশাউবা অদু মহাক্লা তুমিন্না ঈংনা-তপ্পা সিরিয়স ওইনা খাঙদুনা লৈরম্মী। মহাক্কী মায়থোংদা করিমত্তা অহোংবা অমত্তা লৈতে, শুপ্পতগী মমায়গী মচিন ময়াদা হৌরিবা কোই অদুগী শম খরা থেককৎলকপা নত্তনা। রুপ্পন বাবু অদু মহাক্কী অশাউবা অদু মখা তারক্তুনা বদ্রিগী নুংশি-নুংওনগী লমচৎ অদুগী মতংদা হায়দুনা লৈরম্মী। অহানবদা মহাক্লা মদুগী হিষ্টরি খরা হায়রম্মী। মদুগী মতুংদা মহাক্লা থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা ৱাফম খরসু ফোঙদোক্লম্মী লোয়ননা করিগুম্বা দেটা খরসু পুথোক্লম্মী। অরোইবদা মহাক্লা ৱেদ্যজিগী য়েংলগা অমদি ৱেদ্যজিনা মীৎয়েং চঙদদুনা অচান-মীরাই নাইবগী নুংঙাইতবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মহাক্লা মপা ইবুংঙো ৱেদ্যজিদা ৱাফম খরা প্রুফ তৌনবা হোৎনরম্মী মদুদি ৱেদ্যজিনা রুপ্পন বাবু অমদি বদ্রিদা খেন্নবা থম্মী, মদু দেম্মোক্রেসিগী ফন্দামেন্টেল প্রিন্সিপলদা য়েংলুরবদি অরানবা ৱাফমনি হায়না। ৱাফমশিং অদু হায়বা লোইশিল্লকপদা রুপ্পন বাবু অদুগী মায়থোং ঙাঙশিল্লকই, মচিন পেথোরকই অমসুং মমিৎ খপকৎলকই।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।